থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# বেঙ্ক পূনশিনহনবা, মীয়ামগী য়াইফনবা নত্তে




শোকচিল্লবা ইন্দিয়ন ইকোনোমিগী শক্তম অমা মীয়ামগী পূক্লিং-ৱাখল, মীৎমাঙদগী লোৎশিন্দুনা থম্নবা, হৌজিক পাল্লিবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অসিনা ইনি দয়াগী নেসনেলাইজ বেঙ্ক তরা'বু মরি'দা হন্থহন্নবা ৱারেপ অমা লাউথোক্তুনা অমম্বা তাইবঙ অমদা চঙশিল্লক্লিবা মতমগী তাঙ্কক অমবু মীয়াম খঙহন্দনবা হোৎনরি। লৈঙাক পায়রিবা পার্টি অসিগী ৱাঙাঙলোয় 'সন্বিত পত্র' না হায়... 'মালেমগী লৈবাক অতৈগী ইকোনোমি'না মরায় চায়থরক্লবসু, ইন্দিয়ন ইকোনোমিদি হান্নদগী মরায় হাইগৎলক্লি'...। কয়াদা চাউনা মীনল্লিবনো? ঐখোয়সিবু করিমত্তা খঙদ-উদবা, মীত্তাঙবা-লোম্বোক্তবা অমগুম্না উবা-জাৎলা? ঐখোয়গী ইকোনোমিগী থাক অমেরিকাগা চাংদম্নদুনা অমুক্তং য়েংলুসি। অপূনবা মীশিং মিল্লিয়ন ৩২৯ লোম'তমক লৈবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী ইকোনোমি দোল্লর ত্রিল্লিয়ন ২১নি। অদুগা, মীকোক মিল্লিয়ন ১০৩৫ লৈবা ইন্দিয়াগী ইকোনোমি'না শুপ্নগী দোল্লর ত্রিল্লয়ন ২.৭ খকনি। কৈদৌঙৈ তান্নবা ফংগনি? মপোক লাংওন কয়াদসু ওইথোক্লরোই। খেন্নবসি য়েংবীয়ু - ইন্দিয়ন লিদরশিংগী মঙলান্নি কুমজা ২০২২দা ইন্দিয়ন ইকোনোমিবু দোল্লর ত্রিল্লিয়ন ৫ য়ৌনা ইনখৎপা। ইনখৎপা নত্তে, মতমদুদা ওইরক্কদবা পোপ্যুলেসনগী সাইজ য়েংলুরগদি শোকচিল্লকপনি হায়বা য়াই। মীমান্নবা ওইনবা, তঙাইফদবা গোল 'ইন্দিয়ন ইকোনোমিগী সাইজ দোল্লর ত্রিল্লিয়ন ১২' ওইফম থোকপনি। য়েংসি, করম থোক্লগবা।

বেঙ্কিং অমদি ইকোনোমিক্সকী টর্মিনোলোজি শীজিন্নদুনা নৈনগুমসি। বেঙ্ক তরা পূনশিন্নরগা মরি'খক ওইহন্নবা গভর্ণমেন্টকী প্রোপোজেল অসি মীয়াম্বু লান্না লমজিংবা, ইনাক খুনবশিংগী ইন্টরেষ্ট ঙাক্লবা থাংলকপা অরানবা খোঙথাং অমনি হায়বসি ঐখোয় পূন্না ৱাখল তামিন্ননবা, মীচমগী ওইবা লোল'দা ফোঙদোকচগে - তাবীয়ু, পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিংদা থবক শূরিবা শিন্মীশিংগী য়ুনিয়ন'না বেঙ্ক-পূনশিনবগী মায়োক্তা লৈরিবগী মরম করিনো?

(১) মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগা চাংদম্নবদা, ইন্দিয়াগী লায়রবা মীয়াম - লৌমী-শিন্মী ময়ামসিনা ফংফম থোকপা বেঙ্কশিংগী সর্ভিস অদু ফংহন্নবা মতিক চাবা বেঙ্ক মশীং শুনা লৈতরি। হৌজিক মথৌ তারিবদি বেঙ্ক মশীং হেনগৎহনবনি, পূনশিন্নরগা বেঙ্ক মশীং হন্থহনবদু নত্তে।

(২) গভর্ণমেন্ট'না 'জন-ধন-যোজনা' হৌদোকখ্রিবা, বেঙ্কিং সর্ভিস অসি মীপূম খুদিংমক্তা য়ৌহন্নবা, ফাইনান্সল ইনক্লুজনগী থৌশিল মখাদনি। জন-ধন-যোজনা-২ লাউথোরক্লিবা, থৌশিল অসি মায় পাকত্রি হায়বনি। বেঙ্ক পূনশিনখিবসিনা ইন্দষ্ট্রি অসি শুঙ্গং-মাঙ্গং ওইহল্লক্কনি, ফাইনান্সল এক্সক্লুজন থোক্কনি।

(৩) গভর্ণমেন্ট'না হায় - বেঙ্কশিং পূনশিনহল্লিবা অচৌবা বেঙ্ক ওইহন্নবনি। মরম? অচৌ-অচৌবা বেঙ্ক-লোন পীবা ঙমহন্নবা। লোনগী শেনফম চাউখৎলক্লিবগী মতিক শিংবগী অৱাবা হেনগৎহল্লি, শিংনীংদবই মরম ওইহল্লি। শিংবা ঙমদ্রবা কোর্পোরেট-লোন-দিফোলটর কয়া মীরমদা মীচেন ওইখিবগী ৱাথোক ফোং ফোং শারিবা থৌদোকনি। ইন্দিয়নশিংনা মথৌ তারিবা অফবা বেঙ্ক অদুনি, অচৌবা বেঙ্ক নত্তে।

(৪) অচৌবা বেঙ্ক অমা ওইহনবগী মঙলান্দা পূনশিনখিবা এস বি আই অমদি মাগী এসোসিয়েট বেঙ্কশিং, চহী অনী হৌখরে, কয়া য়াম্না চাওখৎলে? বেঙ্ক ব্রাঞ্চ কয়া থিংজিনখ্রে। প্রোব্লেম মশীং হেনগৎলে। বেঙ্ক-ষ্টাফ মশীং হেল্লে হায়রক্লে। শিংঙমদবা লোনগী শেনফম হেনগৎলে। বেঙ্কিং-বিজিনেস হন্থরক্লে।

(৫) গভর্ণমেন্ট'না পূনশিলহনগনি লাউথোক্লিবা বেঙ্ক তরা অসিদা লৈরিবা শিংবা ঙমদ্রবা/শিংউ য়াদ্রবা লোনগী অপূনবা শেনফম লুপা ক্রোর ৩,১৬,৬৩২নি। মখোয় তরা পূনশিন্নরগা শেনফম অসি মাঙখিগদবা নত্তে। লোন শিংগৎহন্নবা অহকপা লো শেম্মু হায়দুনা বেঙ্ক য়ুনিয়ন'না হায়বদি মথুন্নফাও তাদ্রগা, অচৌবা লোন হেন্না পীবা ঙমহন্নবা অচৌবা বেঙ্ক শেমগৎপনি হায়বদি মীয়াম্না তাফম থোকপরা?

(৬) য়ুরোপ - অমেরিকা - জপান'নচিংবা লমগী গ্লোবেল বেঙ্ক অমমমগী কেপিটেল বেজ (বিজিনেস তৌনবা শেন্থং) দোল্লর বিল্লিয়ন ৬০/৭০ ঙাক্তনি। ইন্দিয়াদা লৈরিবা পব্লিক সেক্টর বেঙ্ক পূম্নমক লোইনা পূনশিল্লগা, মখোয়গী অপূনবা ইক্বিটি কেপিটেল দোল্লর বিল্লিয়ন ৪ (মরি) খক্তনি। করম্না চাংদম্নরুনি?

(৭) দিসেম্বর ২১, ২০১৮, পার্লিয়ামেন্টকী ৱাহং-পাউহংদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ফাইনান্স) না খুমখি, এস বি আই'দা এসোসিয়েট বেঙ্ক পূনশিনবনা মরম ওইদুনা বেঙ্ক ব্রাঞ্চ ৬৯৫০ থিংজিনখ্রে। বেঙ্ক ১০ পূনশিল্লগা অতোপ্পা বেঙ্ক ব্রাঞ্চ কয়া অমসু মখা তানা থিংজিনখিগে হায়বনি, থবক লৌথোক্কে হায়বনি।

(৮) নীংতম্লবা ইন্দিয়াগী হিষ্টরিদা থবক ফংদবা মী মশীং অমদি থবক লৌথোরকপগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা চহীসি হৌখিবা চহী অনী-অহুমসিনি পানরি। বেঙ্ক পূনশিলহনখিবা, ব্রাঞ্চ মশীং হন্থহনবা-থবক ফংদবগী প্রোব্লেম হেনগৎহন্নবনি।

(৯) অচৌবা বেঙ্ক শেম্বা মথৌ তারবদি, মশীং খঙদবা স্মোল বেঙ্ক/পেমেন্ট বেঙ্ক শেমগৎলিবা করিগীনো?

(১০) বেঙ্ক ব্রাঞ্চ ৭০০০ লৈবা বেঙ্ক অমদা 'নিরব মোদি' কৌবা নুপাদুনা বেঙ্কতুদা ক্রোর লিশীং কয়া হাবী-জাবি তৌরম্বদা ফাবা ঙমখিদ্রগা, ব্রাঞ্চ ১১,৪০০ শুরবকান্দদি করি ওইবা হৌননি?

অসুম্না, লৈবাকসিগী কাং-খোং চাইরক্লবা ইকোনোমি অসি কন্নবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি 'শিংঙু য়াদনা লৈরিবা লুপা ক্রোর লাক্ষ ১০গী লোন অসি খোমগৎনবা অহকপা লো শেম্বনি, বেঙ্ক পূনশিলহনবা নত্তে'।

লৌশিং পুক্কে

# বি পি কন্ট্রোল তৌনবগীদমক চারিবা হীদাকশিংনা বাইপোলর দিসওর্দর নৎত্রগা দিপ্রেসনগুম্বা মুদ দিসওর্দরগী রিস্ক হেনগৎহল্লি



ব্লদ প্রেসর ৱাংবা মীওইশিংনা বি পি কন্ট্রোল তৌনবগীদমক চারিবা হীদাকশিংনা বাইপোলর দিসওর্দর নৎত্রগা দিপ্রেসনগুম্বা মুদ দিসওর্দরগী রিস্ক হেনগৎহল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

বৃটেনদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ গ্লাসগোগী প্রোফেসার সন্দোশ পদ্মনাভননা হায়খি, হাইপরটেন্সন (বি পি ৱাংবা) গী লায়েংদা চথবদা মেন্টেল হেল্ঠকী ৱাফম থোইদোক্লা থৌশানদে। বি পি হন্থহন্নবগী মতাংদা থারিবা এন্টিহাইপরটেন্সিব দ্রগশিংনা মীওইবগী পূক্লিং-ৱাখলদা অহোংবা থোকহল্লকপা য়াই হায়বা ৱাফম অসিগী মতাংদা ডোক্তরশিংনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারে।

রিছার্চরশিংনা এন্টিহাইপরটেন্সিব দ্রগ মখল মরি অমসুং দ্রগশিং অদুনা পূক্লিং-ৱাখলদা পীরকপা অহোংবশিংগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিনখি। স্কোটলেন্দগী অচৌবা হোস্পিটাল অনীদা লায়েংলিবা মশাগী চহী ৪০ দগীনা ৮০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই ৫২৫,০৪৬ কী দেটা খোমজিল্লগা হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিনখি।

নুমীৎ ৯০ চুপ্না অনাবশিংগী মওং-মতৌ কুপ্না য়েংশিনবদা বি পি ৱাংবগী হীদাক চাবা মীওইশিং দিপ্রেসন নৎত্রগা বাইপোলর দিসওর্দরগুম্বা পূক্লিং ৱাখলগী লায়না মায়োক্লরকপা থেংনখি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি অমেরিকান হার্ট এসোসিএসনগী জর্নেল 'হাইপরটেন্সন'না হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

অমরোমদা, দিপ্রেসনগী লাইওংশিংনা লংস কেন্সর নারবা মীওইশিংগী পুন্সি তেনশিলহল্লি হায়বা অতোপ্পা ষ্টদি অমদগী খঙলে। য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়া লোস এঞ্জেলিস (য়ু সী এল এ) গী দোনাল্ড আর সুলিভাননা লুচিংদুনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, লংস কেন্সর পেসেন্টশিং পূক্লিং ৱাখলগী লায়না নারবদি কুইনা পুন্সিদে। অদুবু পাম্বৈ অমা নৎত্রগা অমা তৌদুনা পূক্লিং ৱাখল নুংঙাইহনবা তারবদি মতম শাংনা হিংবা ঙম্মী।

রিছার্চরশিংনা কুমজা ২০০৩ দগী কুমজা ২০০৫ ফাওবা লংস কেন্সরনা নারবা মীওই ১,৭০০ লোমগী মওং-মতৌ কুপ্না য়েংশিনবদা ৱাফম অসি খঙবা ঙম্লকখিবনি। 'জর্নেল ওফ ক্লিনিকেল ওনকোলোজি'দা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অসিগী রিপোর্টনা হায়খি, নুংঙাইবা ৱাখল খনবগা লোয়ননা থোকঅবা অমা লাকচরগনি হায়না খন্দোকপা ঙম্বা মীওই খুদিংমক অরুবা লায়নানা নারবসু পুন্সি নুংশাংনা হিংবা ঙম্মী। মরম অদুনা নাইতোম লৈবা মীওইশিংদগীদি ময়ুম-মকৈ পাল্লবা মীওই অমসুং মীরক তিনবা মীওইশিংনা নারক্লগসু লায়েংদুনা ফহনবদা লায়না থোকই। অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা ডোক্তর অমদি ক্লিনিসিয়নশিংনা অনাবা মীওই লায়েংবা মতমদা নারিবা লায়না অদুখক লায়েংবগী মহুত্তা অনাবা মীওই অদুগী পূক্লিং-ৱাখল নুংঙাইহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

অমরোমদা, নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেন্টেল হেল্ঠ এন্দ ন্যুরো সাইন্সেস (নিমহান্স) সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, ইন্দিয়াদা লৈরিবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ১৫ রোম পূক্লিং ৱাখলগী ওইবা লায়না মায়োক্লবা মরম্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা মতেং পাংবীবা মথৌ তাই। লৈবাক অসিদা মেন্টেল হেল্ঠ পেসেন্টগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লবসু সাইকিয়াট্রিষ্ট, সাইকোলোজিষ্ট অমদি সাইকিয়াট্রিক নর্সকী মশীং ৱাৎপা মরম্না খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১২ দা লৈবা মীওই ৩৪,৮০২ দা চথখিবা ষ্টদি অমদা মীওই মিলিয়ন ১৫০ রোম খুদক্কী ওইনা মতেং পাংবীবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বা খঙলকখি। বেঙ্গলোরদা লৈবা নিমহান্সনা কেরলা, টামিল নাদু, গুজরাত, রাজস্থান, পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল, ঝরখন্দ, ছটিসঘর, মধ্যা প্রদেশ, আসাম অমদি মণিপুরগী মপুং-মরৈ ফারবা মীওই ৩৪,৮০২ অমসুং ইনখৎলক্লিবা নহা ১,১৯১ দা সর্ভে অমা পাঙথোকখিবনি।

ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, মীওই চাদা ০.৬৪ সিজোফ্রেনিয়া, মীওই চাদা ৫.৬ মুদ দিসওর্দর অমসুং মীওই চাদা ৬.৯৩ ন্যুরোটিক দিসওর্দর মায়োক্লবা থেংনরে। পূক্লিং ৱাখলগী লায়নানা ইমুং-মনুং অমদি খুন্নাইদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। ৱাখল লায়না লৈবা মীওইশিংগী মনুংদা নুপাদগী নুপীদনা চাং ৱাংবগা লোয়ননা কেরলা, আসাম অমদি মণিপুরদা চাং ৱাংবা থেংনখি। দিপ্রেসন, বাইপোলর, এফেক্টিভ দিসওর্দর, সিজোফ্রেনিয়া অমসুং সাইকোসিসনচিংবা পুম্নমক পূক্লিং ৱাখলগী অনাবা ঙাক্তনি।

মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা মতম চানা লায়েংলবদি মেন্টেল দিসওর্দরগী খুদোংচাদবশিং কোকহনবা ঙম্মী। বৃটেনদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ গ্লাসগোগী রিছার্চরশিংনা হায়খি, ব্লদ প্রেসর হন্থহন্নবা হীদাক মতম শাংনা শীজিন্নরবদি পূক্লিং ৱাখলগী লায়না ওইহল্লকপা য়াবা মরম্না মীপুম খুদিংমক মাঙজৌননা বি পি ৱাংহন্দনবা হোৎনগদবনি। কা-হেন্না বি পি ৱাংলবদি তঙাইফদনা এন্টি-হাইপরটেন্সিভ দ্রগ চাবগী মথৌ তারকই। মরম অদুনা মীপুম খুদিংমক মাঙজৌননা পুন্সি মহিং শেমদোকপগা লোয়ননা চাকচা-য়ুথক শেমদোক্তুনা বি পি ৱাংহন্দনবা হোৎনগদবনি। য়ামদ্রবদা নুমীৎ ৯০ দগী হেন্না বি পি ৱাংবগী হীদাক চাবা মতমদা হকচাংগী কয়াৎশিং, মরুওইনা ব্রেনদা অহোংবা থোরকপদগী মেন্টেল দিসওর্দর ওইহল্লকপনি।

অমেরিকান হার্ট এসোসিএসনগী জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়, বি পি ৱাংলবদি তঙাইফদনা এন্টি-হাইপরটেন্সিভ দ্রগ চাবগী তঙাইফদবা মরম্না মেন্টেল দিসওর্দরগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। মতম চানা পুন্সি মহিং অমসুং চাকচা-য়ুথক শেমদোক্লগা বি পি ৱাংহন্দনবা হোৎনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈনি।

# ময়াই কাবা চীঙাক্কী মায়োক্তা এৱ্যেয়র্নেস কেম্পেয়্যন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঙাক মরুফংনা মুখৎনবা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না ত্রোংলাওবীদা লৈবা রুদ্রা হায় স্কুলদা ময়াই কাবা চীঙাক্লা মহৈরোয় খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বা হিরমদা একাদেমীক এৱ্যেয়র্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরমগী প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা হিজম প্রিয়োকুমার, প্রসিদেন্ট কাদা, মোইরাংথেম বিজ্যারানি, হেদ মিষ্ট্রেস ইন-চার্জ অমসুং হুইনিংশুংবম ওংবী বসন্তি, প্রসিদেন্ট কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা গীতচন্দ্র মঙাং, সেক্রেটরি জেনরেল কাদাসু শরুক য়াখি।

রিছোর্স পার্সন ওইখিবা গীতচন্দ্রনা হায়খি, ঐখোয়না ঙসি মফম অসিদা লাক্লিবা অসি নখোয় ময়াই কাবা চীঙাক চারে হায়দুনা লাকপা নত্তে। ময়াই কাবা চীঙাক চাদ্রিবা, ময়াই কাবা চীঙাক্কী মহাও খঙদ্রিবা চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিংদা ময়াই কাবা চীঙাক্কী অমাংবশিং খঙহন্দুনা মশা-মউ ফবা, তীঞ্জং-কায়জংদবা মহৈরোয় অমমম ওইবগা লোয়ননা নখোয় নখোয়গী তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা মীওই অমমম ওইবা ঙম্নবা অসিগুম্বা এৱ্যেয়র্নেস প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহৈরোয় অমনা লাইহরিক ফনা হৈদুনসু হকচাং ফৎত্রবদি মহৈদা মায় ওনশিনবা ঙম্লক্লোই। মরম অদুনা ইহান হানবদা ঐখোয় অফবা চীঙাক চাদুনা হকচাং ফনা থম্নবা হেৎনবা মথৌ তাই। হকচাং ফনা লৈনবগীদমক ঐখোয় করিগুম্বা মখল অমত্তগী ময়াই কাবা চীঙাক শীজিন্নগে খল্লোইদবনি। ময়াই কাবা চীঙাক শীজিন্নবনা ঐখোয়গী হকচাংদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী কান্নবা পীবা লৈতে। ঐখোয়না ময়াই কাবা চীঙাক শীজিন্নরবদি হকচাংগী ওর্গান কয়া শোকচিল্লক্তুনা ঐখোয়গী পুন্সি লম্মাখাংদা লোমখিদুনা ইমা-ইপানা ঐখোয়দা থম্বা থাজবা কয়া ফংবা ঙমদনা পুন্সি লোমখিগনি। ইমা-ইপাগী থাজবা মাঙদনবা অমদি ঐখোয়গী তুংগী অমদি খুন্নাই অসিগীদমক খল্লগা ময়াই কাবা চীঙাক মখল খুদিংমক্তগী লাপ্না লৈবগা লোয়ননা চাংয়েং তৌগে হায়বা ৱাখল খল্লোইদবনি হায়খি।

# রিজল্ট লাউথোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস): একাদেমীক সেসন ২০১৯-২০ গী চহী অমগী ভেটিরিনরি ফিল্ড এসিষ্টেন্ট ট্রেনিং কোর্সকীদমক কেন্দিদেট খনবগী এন্ট্রান্স টেষ্টকী রিজল্ট লাউথোক্লে হায়না দিরেক্টোরেট ওফ ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরিগী দিরেক্টর ঐচ চাওবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, অকুপ্পা মরোল সঞ্জেন্থোংদা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ ভেটিরিনরিগী নোটিশ বোর্দতগী য়েংবা য়াগনি। খল্লবা কেন্দিদেটশিংনা খুম্বোংদা লৈবা ভেটিরিনরি ফিল্ড এসিষ্টেন্ট ট্রেনিং সেন্টরগী প্রিন্সিপালদা থা অসিগী ১২ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট তৌগদবনি। ওরিজিনেল দোক্যুমেন্ট, জেরোক্স কোপি অমদি পাসপোর্ট সাইজ ফোটোসু এদমিসনগীদমক পুরক্কদবনি হায়রি।

# মীলালগী থৌমী ওইরম্বা ওজা কুমার লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস): মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোল অপূনবা লূপ (মীলাল) কংলৈপাক্কী অচঙবা থৌমী অমা ওইরম্বা হাওবিজম ওজা কুমার মীতৈ, কৈরেনফাবী, লমাংদোং পানানা মনুং মতম চাদনা থা অসিগী ৩ দা লৈখিদবদা মীলাল ময়াই লোয়শঙনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা মীলালগী জেনরেল সেক্রেটরি মুতুম মংলেম্বনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না মীলালগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনাম কৈনাহনবী লৈমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ওজা কুমার মতম শাংনা মীলালগী থৌমী ওইরম্মী। য়াম্না ঈং-তপ্পা, মীয়ামগীদমক কথোকপগা লোয়ননা থৱায় থাবা ঙম্বা অচঙবা থৌমী অমা খঙহৌদনা লৈখিদবদা মীলালগী থৌমীশিংনা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা ওজাগী থৱায়না তাইবং মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরসনু হায়না থৌনিজখি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাদসু মীলালনা থম্মোয় শেংনা শরুক য়ারি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৭।০৯ ।২০১৯ ইং, থাংজ,
লাংবনগী ৯ নি পানবা।

মেষ : অয়েৎপা খরা চেনবা, লৌশিংসু খরা ৱাৎপা অমদি ৱা-শোইবা খরা লৈগনি। অদুনা খন্থরগা ঙাঙবা অমদি খাংবা কনবা ফগনি। হোয়া য়াম্না ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা ইথুং থুংলোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : অচুম্বনা মায় পাকচবা, শেল-থুমগী লম্দা চাউনা কান্নবা অমদি য়েক্লবা হন্থবা ওইগনি। মীয়াম পুনবা নুংঙাইবা ফংগনি অমদি পূক্লিংসু মকা লাম্বা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী চেৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : নচা-ননাইগী লম্দা নীংবা থুংবা, মীয়াম্না চানবা অমদি ইচং থৌরগা মীকোক থোংউ হায়বা নুমিৎনি। লাল্লোন ইতিক্তা মায় পাক্কনি। লম অয়াম্বা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : হকচাং নুংঙাইবা, মীচং লৈবা, অনৌবা থৌরম কাংবা য়াবা অমদি শেন্দোং চাওনা ফংগদবা নুমিৎনি। চিন্দি য়াঙগনু অমদি অরং-অরাক পিথোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

সিংহ : অরাপ্পগী মীগা পাংমিন্নবা থবক শোইদনা মায় পাক্কনি, থাজদনা ওইজবা ফংগনি, লম চৎপা য়াগনি। হন্থবা লোয়নবা অমদি অখঙ অহৈ শাবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীগী মতেং লৌবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা : লাইবক ফবা ৱাৎলি। লৌথোক চাথোকনিংবা য়াম্বা, ঈরাং পুরগা কাইনবদুম নংবা অমদি অনম তাল্লগা চাদিং হেনবা লৈগনি। নোল্লুক্না চৎপনা য়াইফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নশাগী অশোইবসু খঙউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

তুলা : মীচংনি ফংগনি, অফবা মফমসু কনজবা ঙমগনি, থৌনা হনগনু অমদি নিংহন্নবা তৌদনা থৌ পাংবনা কান্নবা য়াম্না ফংগনি। অনৌবা লম্দা খুৎথাবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক : হায়জবা তাবিগনি, পন্দুনা লৈরুবা লন ফংবা য়াবা লৈরে অমদি হকচাংসু নুংঙাইবনা অরুবা থবক পাংবা ঙমজগনি। য়েৎনবনদি লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ইকাই খুম্নবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : হরাওবা নুংঙাইবা, মীচং অমদি শেল ফংজবা নুমিৎনি। ৱাখল য়াম্না থোক্কনি অদুনা নীংবদুমক, মীনা ইনশিনবা ঙাইদনা পাংবা য়াগনি। মীতোপতি লোয়নগনু ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর : মৈনা তাথিবা অমদি ঙক য়াম্না হাইগৎপা য়াদবা নুমিৎনি। লল্লোন ইতিকসু মাঙবনা হেনগনি অদুনা খুকউ শেন্না থৌ পাংবা ফৈ। মীয়াম্নদি থোইনা চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কুম্ব : শেল ফংগনি, লল্লোনবদা কান্নগনি, অমদি য়েক্লববু লায়না খুদুম চনবা ঙমগনি। অদুবু ইকাইবা নংবা য়াবা লৈ -ৱা য়াম্না ঙাঙগনু, অরং অরাক চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

মিন : থবক পাংগনি, নঙগী ওইবা মীনা চানগনি অমদি ফজবা লমচৎ অমদি নথৌ মশক খঙবগী নথক থোংবনা চানগনি। মরুক্কী মতেং লৌবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা থাগৎপি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



# পৈশা থাবদা মীৎচি য়াওনা থাবিরক্কনু, নুপা থোক্লা য়াম্না লেম্না থাবিরক্ক্রদি বুলেট..বুলেট..বুলেট...

নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

## শুখাম কবিরা, শৈশকপী

তাইবংসিদা নুংশিবা শুরদা শকপা ঈশৈ তানিংদবা কনা লৈ! নুংশিবা খোঞ্জেল তাবদা থম্মোয় পেন্দবনা কনা লৈগনি। নুংঙাইবা ঈশৈ 'নুপী কোয়গে কোয়জৌ খুদোল পীগে পীজৌ মীৎয়েং খোয়গে খোয়জৌ অউবা পামগে পামজৌ থক্লিংবা থকচৌ ঙাওনিংবা ঙাওজৌ লাংনিংঙে লাংজৌ অদুগা লমলানবী কনাদা লোন্না থম্মোয়দো পীরম্বা থোক্লবা... বুলেট..বুলেট..বুলেট' তাবদা থম্মোয়দা ইনোৎ হাপ্পুবা কনা লৈগনি। মোই তামো, ঐনা পাল্লিবসে নুপানি, ঐনা ঙাওরিসে ঐনা পাল্লিসে, হৌজিক কানগী, থম্মোয় পীরো, লৈনরিবা মরীসে ঈশৈশিংগী শৈশকপী মীয়ামগী কবিরাগা পাউচে অসিগা উনরুবদা ঈশৈগী লম্ অসিদা থেংনরকপা অৱা-নুংঙাই কয়া অমা ফোঙদোরকখি।

শুখাম কবিরানি মীয়ামগীনা কবিরা য়াম্না নহা ওইরিবী শুপ্নগী চহী ১৮ খক্তা ঙাইরিবী শৈশকপীনি। ঙাইরাংবম্না মহাক্কী পোক্লফমনি। অপোকপা শুখাম অঙৌয়াইমা অমদি শুখাম ওংবী লোইদাংগী মচা মরিগী মনুংদা ইতোন তোনবী মচানুপীনি। অমুবা অমসুং অঙৌবা অমদি হৱাইথরাক, খামেনঅশিনবা অমদি অলুগা থোংবা কাংশোয়না কবিরাগী খ্বাইদগী পামজবা মচু অমদি এঙ্গাংনি। কবিরানা খ্বাইদগী পামজবা মণিপুরগী শৈশকপা-শৈশকপীশিংদি অহৈবম শ্যাম, লাইশ্রম মেম্মা, পুস্পরানি, শোরি শেনজমনি। ঈশৈ শকপা অমদি য়ুমদা মখল-মখা কয়াগী অচাপোৎ হৌদুনা চাবনা মহাক্কী হোবিনি। অহানবা ওইনা ঈশৈ তম্বা হৌরকখিবা অসি লমদম অসিগী শক্লাইরবী শৈশকপী সুনিতা নেপ্রম অমদি থৌদাম কামেশ্বর ওজা অনীদা তমদুনা ঈশৈগী লম্দা ৱাংলবা ক্লাস বিসারট লোইশিনখি। ওজা খাইদেম ইমোনা কন্না শেন্নবিবা অমদি হোৎনবিখিবনা মীয়ামগী মাংদা থোক্তুনা থৌগল তৌবা ঙমজবনি। লম্ অসিদা ইয়াম্বা তোনি অহৈবম, কিয়ামঙ্গোই, বুলেটকী দিরেক্টর গ্যানন্দ, হেমন্ত খুমন ম্যুজিক দিরেক্টরশিং অসিনা য়াম্না নুংশিনা তাকপী তম্বীবনা মীয়াম্না শক খরা খঙবা হৌরকখিবনি। মহাক্কী হেক পোমিন্নবা ময়াম্বা বিদ্যাকুমারনা কন্না হোৎনবিবা, শেন্নবিবনা য়ামদ্রবসু য়ামদনা থাক অসি য়ৌবা ঙম্লকখিবনি হায়নসু কবিরানা ফোঙদোরক্লি।

মীয়ামগী কবিরাগী অশেংবা মীংদি শুখাম কবিরানী কৌই। ওজা ইমো অমদি ইয়াম্বা তোনিনা ইবেম্মা নঙগী মীংসে মীনা হায়বদা য়াম্না ফরক তাই, য়াম্নসু শাংই হায়দুনা তেন্তক্লা কবিরা হায়না থোনবিখি। মদুদগী মীয়ম্নসু কবিরা হায়না অদুম খঙবিবা হায়বদু ওইখি। অঙাং ওইরিঙৈদা ঈশৈ শকপা কয়া পাল্লমদে অদুবু দান্স তৌবদি য়াম্না পামজখি। অদুবু ঐগী বাবা শুখাম অঙৌয়াইমা ঈশৈ শকপা য়াম্না পামজবা মীশক অমা ওইবনা খরা চাউখৎলকপা মতমদা বাবানা ঈশৈ শকপা তাইদুনা মহাক্না শকপা ঈশৈ ঐনসু অসুম তুং ইন্দুনা শকচৈ। নোংমা বাবানা ইচাতোম্বী নঙ ঈশৈ তমগেরা হায়না হংখি। ঐনসু হোয় তমগে হায়না খুমখি, নুমিৎতুদগী ঈশৈ তম্বা হৌরকখি। ঈশৈ তম্বা হৌবদগীদি ঐহাক ঈশৈদা থৱায় লুপ্পুনা ঈশৈদা ঙাওবা হায়বদু ওইদুনা ঈশৈ শকপা পাল্লকখি। ঈশৈ শকপা হৌরকপদা ঙাইরি অদুবু লমদম অসিগী মীয়াম্না নুংশিবিদুনা শকখঙবিবা হৌরকপা অসি হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাই অমদি মসিদগী হেন্না মীয়ামগী থৌগল তৌজগে খল্লি। লোয়ননা মখা তানা ঈশৈ তমদুনা ঈশৈগী লম্ অসিদা কন্না হোৎনদুনা মণিপুরগী শক্লাইরবা শৈশকপী অমা ওইবা পাম্মী হায়নসু কবিরানা ফোঙদোরকখি।

ওজা খাইদেম ইমোনা বুলেট...বুলেট...বুলেট হায়রিবা ঈশৈ অসি অমুক্তা ফাওহনবিয়ু, ঈশৈ অসি মীয়াম্না পাম্নবা ঈশৈ অমা ওইহনবিয়ু হায়না চৎলুবা মফম খুদিংগী লাইফমশিংদা খুরুমবিখিবগী মহয়না ঈশৈ অসি মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা ঈশৈ হায়বদু ওইখিবনি হায়জনিংই। লোয়ননা বুলেট হায়রিবা ঈশৈ অসিদা মীওই মিল্লিয়ন ১২ হেন্না য়েংনখি। কবিরাগী নৌনা লাক্কদবা ঈশৈশিংগী মনুংদা দেস্মক্রেসি, ঐগী ইচিলসিনা শিদ্রিবা ফাওবা হায়ররোই, বোম হায়বনচিংবা ঈশৈ খরা লৈ হায়নসু ফোঙদোরকখি। লোয়ননা লমদম অসিগী মফম কয়াদা ঈশৈ শকপা মতমদা ষ্টেজদা পৈশা থারকপা মতমদা খূৎতা পায়শিল্লকপা, মায়দা পৈশা লংশিন্দুনা থারকপা অমদি উশিং থওইদনা ঙাঙবা শকপা থেংনবদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমা ফাওই। মরম অদুনা অসিগুম্বা থৌওং অসি তৌহনিংদে হায়নসু কবিরানা ফোঙদোরকখি।





ডা. খাইদেম অথৌবা মৈতৈ